# হীদাক কান্নরবা পান্থীশিং ঃ য়োং-কোমলা

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ




ময়াম্না মশক খঙবীরবরা য়োং-কোমলা হায়রিবা পান্থী অসি? য়োং-কোমলা পান্থী অসি ইংলিসতা গীন বেরী (Gin Berry) নৎত্রগা ওপাল ওরেঞ্জ (Opal Orange) নৎত্রগা ওরেঞ্জ বেরী (Orange Berry) নৎত্রগা রুমবেরী (Rumberry), হিন্দীদা বন নিম্বু (Ban nimbu) নৎত্রগা গীরগীত্তী (Girgitti) নৎত্রগা পোতালি (Potali), বেঙ্গোলিদা আশশেওরা (Ashsheora) নৎত্রগা বন জামির (Ban jamir) নৎত্রগা মাতখিলা (Matkhila), খাশিদা দেঙ-কাসিয়র (Dieng-kasiar), কোনকানিদা মেনকী (Menki), মালায়ালমদা কুতিপানাল (Kuttippanal) নৎত্রগা কুরুমপানাল (Kurumpanal), মারাথীদা কিরমিরা (Kirmira), ওরিষাদা অনাচারা (Anachara) নৎত্রগা চৌলাধুৱা (Chauladhua), সংস্কৃততা অসভসাকোতা (Ashvashakota) নৎত্রগা বননিম্বুক (Vanaminbuka), তামিলদা অমুতাম (Amutam) নৎত্রগা কাতু-ক-কোন্সি (Kattu-k-konci), তেলেগুদা গোঞ্জি (Gonji), আসামিজদা সৌউলধুৱা (Sauldhua), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *গ্লাইকোসমিস পেন্তাফাইলা (Glycosmis pentaphylla (Retz.) DC)* নৎত্রগা *গ্লাইকোসমিস কাইলোকার্পা (Glycosmis chylocarpa Wight & Arn.)* নৎত্রগা *গ্লাইকোসমিস কুইনকিফোলিয়া (Glycosmis quinquefolia Griff)* নৎত্রগা *লিমোনিয়া আর্বোরিয়া (Limonia arborea Roxb.)* নৎত্রগা *লিমোনিয়া পেন্তাফাইলা (Limonia pentaphylla Retz.)* নৎত্রগা *মাইসোসপর্মম কাইলোকার্পম (Myxospermum chylocarpum (Wight & Arn.) M Roem)* হায়না কৌই অমসুং কোমলা, চম্প্রা অমসুং নোবাব পান্থীগী শাগৈ *রুতেসী (Rutaceae)* দা চল্লি।

য়োং-কোমলা হায়না কৌনবগী ওইথোকপা য়াবা মরম অসি পান্থী অসিগী মহৈ অসি হেক য়েংবদা য়াম্না পীকপা কোমলাগী মহৈ মানবা অমসুং য়োংনা য়াম্না পাম্না চাবা অদুগা অতোপ্পা অমনা পান্থী অসিগী মহৈ অসি কোমলা মানবা অদুবু মীওইবনদি থোইদোক্লা পাম্না চান্নদবা হায়বদি পীকপগা লোয়ননা কোমলাগী চপ চাবা মহাও ফংদবা অসিনা পান্থী অসিবু য়োং-কোমলা কৌখিবগী মরম ওইরমগনি। য়োং-কোমলা পান্থী অসি ফুট ১০ ফাওবা ৱাংবা মতম পুম্নমক্তা শুংদুনতা লৈবা (Evergreen) অমসুং তিংখং ইপান-পান্দবা উ পান্থী মচা অমনি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না য়োং-কোমলা পান্থী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং- ইন্দিয়া, চাইনা, শ্রীলঙ্কা, ভুটান, নেপাল, থাইলেন্দ, ম্যান্মার, কম্বোদিয়া, ভিয়েটনাম, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিসয়া অমসুং ফিলিপিন্সকী লমদমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। য়োং-কোমলা পান্থী অসি সমুদ্র ঈমায়দগীনা মিটর ১০০০ ৱাংবা মফমশিংদা চুশিন্নরা হৌবা ঙম্মী। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি য়োং-কোমলা পান্থী অসি অনেম্বা চীংগী চীংখোঙ-চীংয়া অমসুং তম্পাক্কী মফমশিং মরুওইনা লোক্কী মপান, খোংবান-লুপান অমসুং মসা য়াম্না পুঙবা উগী উখাদা হৌবা থেংনৈ। পান্থী অসিগী মনা অসি কোমলা, চম্প্রা পান্থীগী মনাগুম্না থাউগী গ্লান্দ (Pellucid dot) অসি য়াওই। য়োং-কোমলা পান্থীগী মহৈ অসি মিলিমিটর ৮ দগী ১০ ফাওবা চাউই অমসুং হঙ্গাম মপাল মচুদা ঙাংশিনলি অমসুং চহী চুপ্পা পাল্লি।

পাউদমগী মতুংইন্না য়োং-কোমলা পান্থীগী মরাদা য়াওরিবা গ্লাইকোজোলিদোল (Glycozolidol) হায়রিবা কার্বাজোল আলকলোইদ অসি গ্রাম-পোজিটিব অমসুং গ্রাম-নেগেটিভ ওইবা বেক্টিরিয়া মখল খরা হাৎপা ঙম্মী। য়োং-কোমলা পান্থীগী মনা অমসুং উগী মকু (Bark) অদু শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু মীওইবগী লিভর শোকপা অদু মহৌশাগী ওইবা মওংদা হঞ্জিনহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদম লৈ। য়োং-কোমলা পান্থীগী মরাগী মকু অদু ঈশিং খরগা শুগাইদুনা শুম্লগা লৌবা মহী অদু খোং হামথবা অসিদা কুইরবা মতমদগী লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। হায়রিবা অশেম্বা অসিদা ঈশিংগী মহুত্তা ইথানোল হায়রিবা য়ু মখল অসিদা শেল্লবদি অমুক্কা ফবা হেল্লি অমসুং চাং খজিক্তুনা ফহনবা ঙম্মী হায়রি। ক্লেদোসপোরিয়ম ক্লেদোসপোরিওইদিস (Cladosporium cladosporioides) হায়রিবা কোকফাই-শুজা অসিনা থোকহনবা উনশাগী লায়না অসি য়োং-কোমল পান্থীগী মনা অদু ঈশিংদা ফজনা ফুৎলগা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবদা ফহনবগী পাউদমসু লৈ। বিজ্ঞানগী পাউদম অমগী মতুংইন্না বিলিয়স এক্তেক (Billious attack) হায়না খঙনবা কোক চীকপা, থজিন শৌগৎপা, পুক নাবা অমসুং অমাংবা য়ৈখৎখিদুনা খোং হামদোকপা ঙমদবা লায়না অসিদা য়োং-কোমলা পান্থীগী মরা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা থোইদোক হেন্দোক্লা কান্নবা ফল ফংহনবা ঙম্মী। নুপীনা অঙাং উন্নরবা মতুংদা মায়োক্লবা খুদোংচাদবা অমসুং লায়না কয়ামরুম অসি ঙাকথোক্লবগীদমক্তা য়োং-কোমলা পান্থীগী মনা অমসুং মরা অদু পুন্না শুগাইমিন্নরগা শুমদুনা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরপগী পাউদমশিং লৈ।


উনশাগী লায়না




চাবা তুমদবা অসি য়োং-কোমলা পান্থীগী মনা অদু পোপলি-পোপলি শুগাইরগা ঈশিংদা পুং খরা তীংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না য়োং-কোমলা পান্থীগী মনা অদু কুপ্না শোইরগা খাং অমদা হাপ্তুনা মৈদা মুন্না ঙৌথোক্লবা মতুংদা অফবা ঈশিংদা পুং খরা তীংলগা লৌবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অনীগী চাংদাদা পীথক্তুনা নুপীশিংনা অঙাং উন্নরবা মতুংদা চানিং-থক্লিংবা ফাওদবা অদুদা পীথক্তুনা লায়েংনদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী অনা-লায়েংদা য়োং-কোমলা পান্থী অসি লোক থুংবা, খোং হামথবা, তাঙ চাউথোক্তুনা চীকপা নাবা তৌবা, এনিমিয়া হায়বদি ঈ ৱাৎপগী লায়না অমসুং জোন্সিস হায়রিবা নাপু কাবগী লায়নাশিং লায়েংবগী হীদাক-লাংথকশিং শাবদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নরক্লি। য়োং-কোমলা মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু অরুম-লাইহৌ তৌবা, ফিরাক্কী অনাবশিং অসি ফহনবা ঙম্বগী মথক্তা মীওইবগী হকচাং মনুংদা মরুওইনা থীবোঙ-থীলিদা লৈবা তীনশিং (Parasitic Worms) অসি হাৎপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। উনশাগী লায়না মখল কয়ামরুম অসি য়োং-কোমলাগী মনাগা শীং (Ginger) গা ১:২ গী চাংদাদা লৌরগা শুগাইদুনা শেম্বা মহী অরদু চাং নাইনা নোংমদা ৩-৪ রক তৈদুনা লায়েংবা য়াই। মায় মথা-মথা পোমখৎতুনা হাক্চবদা য়োং-কোমলা পান্থীগী মরা শুগাইদুনা লৌবা অনঙবা মহী অদু তৈবদা থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমসু লৈ। Agrobacterium tumefaciens না থোকহনবা অপোম-অতঙ (Gall tumour) অসি য়োং-কোমলাগী মরাদা য়াওবা আলকালোইদ অসিনা থিংবা ঙম্বগী পাউদমসু ঐখোয়না থেংনৈ।

# ইশাগী অশোয়বা মীঙোন্দা তাইশিনগুমসি

- থৌনাওজম মনোরঞ্জন -

**মণিপুরদা** মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লা ৱেটলেন্দগী ৱাহম্হোক অমত্তা লৈহল্লমদে। উরিপোক্তা চক্রিকোম চক্রিকোম হায়নরিবসি মীয়াম্না খঙবীরমগনি অমসুং উবিহৌরমগনি। ঐখোয়না খঙজবদা হিন্দু হোটেল অমসুং মসিগী অকোয়বদা শাগৎলিবা বিল্ডিংশিং অসি কুমজা ১৯৭০গী অদুৱাইদদি অমত্তা লৈরমদে। মফম অসি অচৌবা কোম অমা ওইনা লৈরম্মী। অদুবু মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাকশিংনা পাট্রা পীথোক্তুনা কোম অসি ফুঞ্জিন্দুনা য়ুম ময়াম অমা শাগৎহনখ্রে। মসিদা নত্তনা হৌজিক শিংজুবুং লৈরক্তগী সোর্বোন থিঙেল তাবা লম্বী, মহাত্মা গান্ধী স্কুলগী অৱাংদা থোরক্লিবা লম্বী অসি মতম অমদা লৈরমদে। লম্বী অসি হৌজিক হৌজিক লাইরম পুখ্রি হায়না শিংজুবুং লৈরক চোংথাম লৈকায়দা লৈরিবা পুখ্রি অসিগী মরীন্দা মমাঙঙৈদা লাইরম হায়না লৈরম্বা অচৌবা অশাংবা খোং অমা ফুঞ্জিল্লগা শেমখিবা লম্বীনি।

উরিপোক্কী শিংজুবুং লৈরক, তৌরাংবম লৈকায়, গোপালাজি লৈরক, সোর্বোন থিঙেল, সিনাম লৈকায়, বাচস্পতি লৈকায় অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লৈকায়শিংদা লৈরম্বা খোংবানশিং ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা চোঙবা ঙম্লমদবা ঙাক্তনি। অচৌবা খোংবালশিংসে, খোংবালশিং অদুগা তাইনবা ইঙ্খোল মপূশিং অদুনা খোপচিনখিবা ঙাক্তনি। লম্ফেলদা লৈরিবা রিমস, লৈঙাক্কী লোইশঙশিং অমসুং লৈঙাক্কী ক্বার্টরশিংগী অকোয়বদা লৈরম্বা খোংবালশিংসে লোইনা পাক চাউরম্বা ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা উরিপোক কাংচুপ রোদকী খা অমসুং অৱাংদা লম্বী অমসুং ইঙ্খোলগা তাইননা অচৌবা খোংবাল কয়া মমাঙঙৈদা লৈরম্মী। হায়রিবা খোংবালশিং অসিদা ঈল থাদুনা ঙা ফানরম্মী। হায়রিবা খোংবালশিংসে খোংবালগা তাইনবা ইঙ্খোল মপূশিংনা খোপচিনখিবা ঙাক্তনি। মমাঙদা পানখিবা লৈঙাক্লা মফম মফমদা লম্ফেল পাৎ থোনগৎতুনা লৈঙাক্কী ওইবা শঙলেন কয়া শাগৎতুনা লম্ফেল পাৎপু পাৎ ওইহল্লমদ্রে। মসিগা লোয়না লোয়ননা মতমগী মতুং ইন্না পাৎ অসিগী খোংনুংসু থেনগৎলক্লে। মমাঙঙৈদা ইঙ্খোল খুদিংগী পুখ্রি অমমম লৈনরম্মী। মদুসু মী য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না লৈফম লৈনরক্তবদগী লোইনা ফুনজিন্নখ্রে। লৈকায় লৈকায়দা লৈজরম্বা অঙাংশিংগী শান্নবুং লম্পাক মচা মচা কয়া থোনগৎতুনা অমসুং পুখ্রি অচৌবা কয়া ফুনজিন্দুনা থকপা চাবদা ঙাওজবা লৈকায়গী মীওই কয়া অমসুং কম্যুনিতি হোল শাবদা ঙাওজবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা লৈকায় লৈকায়দা মথৌ তাবা মশীংদগী হেন্না কম্যুনিতি হোল শাজিনবীখ্রে। হায়রিবা লম্পাক মচা মচাশিং, খোংবালশিং, খোংশিং, পুখ্রিশিং অমসুং পাৎশিংসে ঐখোয়না ফুনজিন্দুনা অমসুং থোনগৎতুনা য়ুম-কৈ, ক্লবকী শঙলেন, মৈরা পায়বীগী শঙ, কম্যুনিতি হোল, লৈঙাক্কী শঙলেন, লাইগী খুভম অমসুং মখল মখা কয়াগী ষ্ট্রকচর শাজিনখ্রবনিনা কুমগী নোং চুরকপদা মহৌশানা ঈশিং তুংদুনা লৈগদবা মফমশিংদু ঐখোয়না মাঙহনখ্রবনিনা নোংগী ঈশিংশিংদু ঐখোয় ঐখোয়গী শুমাঙদা অমসুং ইমুংদা তুংলবখক্তনি, মসিদা ঐখোয়না লৈঙাক্তা অমসুং মহৌশা লাইরেম্বীদা ৱারৌফম থোক্তব্রা খঞ্জে। তমদনা ঐখোয়না মমাঙদা ইশাখক্তগী খল্লগা তৌখিবা অরানবা থবকশিং অদুনা মরম ওইদুনা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাও মায়োক্লবা, চীংদসু ঐখোয়না ইশা খক্তগী খল্লগা উমং-ৱামং, চীংমায় কোকথোকপা লোয়না-লোয়ননা চীংমায় তুম্না লম্মৈ থাদোকপনা, চাউনা লৈক্রক চৎলকপগী, লৈনাং চেন্থরকপগী অমসুং চীং নীংখাইরকপগী অৱাবা কয়া ঙসি ঐখোয়না মায়োক্লরি। হৌজিক ফাওবা ঐখোয় ৱাখল তাদ্রবদি ঐখোয় তুংদা য়াম্না ৱারকখিগনি।

উরিপোক কাংচুপ রোদকী লম্বী মতাইদা লৈবিরিবা মীওইশিংনা মাগী মাগী কোম্প্লোং অমসুং দুকান মমাঙদা লম্বীদগী ঈশিং চিথখিনবা অহোবা অমত্তা ফাৎতনা মশা মশাগী লমসু নত্তবা মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বীদা ৱাংনা ৱাংনা থোনগৎতুনা নালা মপানশিং লোইনা লম্বীদগী ৱাংখৎহল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা নোং খজিক্তং হেক চুবগা নালাদা চেন্থখিগদৌবা ঈশিং অদু লম্বীদা চেন্দুনা অমসুং তুংদুনা লৈরে। লম্বীদা ঈশিং কুইনা তুংদুনা লৈবনা লম্বীদা থুনা পোট হোল লৈরক্লে। নোং হাংখ্রবসু মতম কুইনা লম্বীদা ঈশিং অদুম তুংদুনা লৈবা মরম্না ঈশিং কংখ্রবা মতুংদা লম্বীদা ঈশিংনা চেন্থরকপা লৈনাংশিং অদু উফুল ওইনা লৈহৌরে। মসিনা নোং হাংখিবগা নুংশা শারকপদা লম্বীদা উফুল য়াম্না হৌহন্নবগী মরম অমসু ওইরে। মরম অদুনা উরিপোক কাংচুপ রোদতা মশাগী মরন্নাইগী লম নত্তবদা মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বীদা মাগী মাগী কোম্প্লোং মপা অমসুং দুকান মমাঙদগী নালাদা ঈশিং চিথখিনবা অহোবা মখুল ফাত্তনা ঈশিং থুমদনবা থোনগৎলিবসি, নোং চুরকপা মতমদা লম্বীদগী নালাদা ঈশিং অপনবা লৈতনা চেন্থখিনবা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা কোৎথোকপীবা তঙাইফদ্রে হায়বা ৱাফম অসি থমজরি।

উরিপোক কাংচুপ রোদ মমাঙদা, লম্বীগী নাকল অনীমক্তা নালা মতিক চানা লৈতে। উরিপোক কাংচুপ রোদকী খা থংবা শরুক্কী চৈরাপ কোর্ট মপাদগী হুইদ্রোম লৈরক মচিন ফাওবদা লৈরিবা নালা অসিদি চুরিমুক্তা চাউই অদুগা মফম খরদনা নালা অসি অমোৎ অকায়না ফুঞ্জিল্লে, মফম খরদনা লৈবাক্লা ফুঞ্জিল্লে অমসুং মফম খরদনা ঈশিং চেন্দনা তুংদুনা লৈরে, কাং মচা কোকফম ওইরে। উরিপোক কাংচুপ রোদকী অৱাং থংবা শরুক্তা, তৌরাংবম লৈরক মচিনদগী বাচস্পতি লৈরক মচিন ফাওবদা লৈরিবা নালা পরিং অসি মতিক চানা পাক চাউদবদগী লৈকায় লৈকায়দগী নোং তাবা মতমদা চিথোরকপা ঈশিংগী ভোল্যুম্না হেনবনা নালাদগী ঈশিং পাথোক্তুনা লম্বীদা ঈশিং চেল্লে।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি উরিপোক কাংচুপ রোদ লম্বী মশাং অসিগী য়েৎলোম মায়রোমদা নালা মতিক চানা লৈতে, লৈরিবা নালা মতেক মতেক অসিসু চুরি চুরি মুক্তা চাউই। মরম অদুনা ঙসি ঙসিমক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা উরিপোক কাংচুপ রোদকী য়েৎ অমসুং ওয়দা নালা মরাং কায়না, পাক চাউনা লৈত্রিবসি লৈহনবীয়ু। মসিগী মথক্তা উরিপোক কাংচুপ রোদকী য়েৎ অমসুং ওয়দা ফুট পাথ লৈতে। পিকখ্রবা লম্বী অসিদা, ইমা ইবেম্মা লাইখুরেম্বী মপাদগী কাংচুপ রোদ মচিন ফাওবগী লম্বী মতেক অসিদা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরিবা য়েংবদা য়াম্না মরিং মরাংবা কাপমুক শাংবা ঐখোয়না ফ্লাই ওভর ব্রিজ হায়জবা অকোনবা লৈকং থোং অসিগী পার্সেন্টেজনা হেমহনখ্রবা অনেম্বা মখোঙশিং লৈবনা অমসুং ৱাখল তাদবা তাই পুনবা, কোট লিৎপা, শবানদি য়ৈনা পুং খোন মানবা ময়াম্না গাড়ী অচৌবনা লম্বী ময়ায় ফাওবা কনশিন্দুনা মতম কুইনা খামজিনবনা লম্বী মতেক অসিদা খোঙনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লম্বী অসিদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি মীনা য়াওনদ্রিঙৈদা য়াম্না থুনা উরিপোক কাংচুপ রোদকী য়েৎ অমসুং ওয়দা পিক্লবসু পিক্লা ফুট পাথ অমমম শেম্বীয়ু। মমাঙদা পানখিবা লৈঙাকশিংনা মীচম মীয়ামগী য়েংলগা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলমদে। লাইবক ফবা হায়গদ্রা উরিপোক্কা থৌবালগা ঙাই-শেন ওইরুবদগী উরিপোক কাংচুপ রোদ অসি নাওরেমথোং ফাওবদি লুহোংবা নংনবা কাবক-শাবক মমাঙগী লৈঙাক্লা শেম্বীরল্লে। হন্দকসু লম্বী অসিগী ফীভম হেন্না ফগৎনবা হৈঙাংগা অমুক ঙাই-শেন ওইবা দরকার ওইগদৌরিব্রা? খঙদে খঙদে হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদগী মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না আশা য়াম্না তৌনরি। চিন্দখক্তা নত্তনা থবক ওইনা উৎথোক্তুনা ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসি মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা লৈঙাকনি হায়বদু উৎথোকপীয়ু।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০**

১। ১৮৯১দা ফাঁসি তৌখ্রবা ঐখোয়গী অথৌবা অনী, চিরাই নাগা অমদি পুখ্রম্বা ফিঙাং (কাজাউ) অনীগী মিংদা হৌজিক লম্বী অনীগী মমিং থোল্লনি হায়রি।
(ক) চিরাই নাগানা হাৎখিবা সাহেব অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) কাজাউনা হাৎখিবা মিষ্টর গ্রীমউদকী নুপীদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "চীন্নাইদবী মরুপ-ও/ঙাইহাক্তসু ঙাইখো-ও/লমনাইদবা মালংনি।" পরেং অহুম অসি কবি চাউবগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শান্নরি পোকপদা ঙায়রিবা নুমিৎনা/তঙাংলবা মখোঙ-মখূৎ কাওরদুনা/লোংখ্রাক লোংনা মফি থোংদনা।" পরেং অহুম অসিনা 'য়েংলু য়েংলুবদা' হায়বা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ১৯৬৭তা ফোঙবা শৈরেং লাইরিক অমনা অইবীশিংগী ইহান হানবা শৈরেং লাইরিকনি হায়না পানরি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৫। কালকূটকী বাংলা উপন্যাস 'শাম্ব' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকপদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি।
পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই

